# পোলোবু মতম শাংনা শান্নজগে খঞ্জদুনা হৌজিক্তি লাক্ষ অমা মখায় পীবা শগোলসু লৈজরে ঃ খুন্দোংবম হবে



খুন্দোংবম হবে (পোলো প্লেয়র)



(হান্নগী মখা...)

হরাউ কুম্মৈ থোকপা মতমদা নুপীগী ইগজিবিসন অমা উৎপসি য়াম্না তৌনরম্মী। মেচ শান্নবা লোইরগা শগোলগী শো খরা উৎপীরম্মু হায়দুনা মীয়ামগী মরক্তগী লাউরকপদা ঐহাক্কা থাইবেম্মগা ঐখোয় অনীনা, খুৎ থাদোক্লগা ফৈগলনা মমাই চুম্লগা শান্নবুং অদুদা শগোল রাউন্দ অমা নৎত্রগা অনী থৌরম্বসি, হেক হেক তৌরম্মী।

মীয়াম মরক্তগী থোরক্তুনা পৈশা থারকপা, ঐখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎপীদুনা অঙম অঙম্বা মনা-মথুম পীবিরকপা, মতমদুদা নুংঙাইজখিবদু ঙসি ফাওবা কাউবা ঙমদে। মসিগা লোয়ননা কুম্বী কাংজৈবুং অসিসু কুমজা ১৯৯০ গী মতমদদি য়াম্না চাওবা শান্নবুং অমা ওইরম্মী। ফার্ম তৌবগী মফম খরা লৌশিনখিবা, নিংথিনা ঙাকশেনবা ৱাংহৌবদগী শক্তম খরদি কায়বগুম তৌরে। মতম অমদদি কুম্বী কাংজৈবুং অসি শগোল লমজেল তান্নফমসু ওইরম্মী। হাপ্তাগী, থাগী প্রাইজ মনি খরা খরা থম্লগা শগোল লমজেলগী কম্পিটিশনসু চাং নাইনা তৌরম্মী। অদুগুম্বা খরা তৌবদুসু ঐদি য়াম্না ফৈ হায়না খল্লি।

প্রাইজদু পীকপা চাউবগী ৱা নত্তবীদা, শগোল লোইজরিবা ঐখোয়গী ওইনা ইশা ইশাগী য়োক্তুনা থমজবা শগোলশিং পুথোক্তুনা শগোল লমজেল তান্নবগী কম্পিটিসন তৌবদুনা শগোলশিংদা মমিৎ মনা শীংবা য়াম্না হেঙ্গৎহল্লি। ঐহাকসু শগোল লমজেল কয়াদা ইতৎ তত্তনা য়াওজরকখি। মনা মথুম তোইনা ফংজরকখি। শগোল লমজেল তান্নবা মতমদা, শগোল করম্না থৌগনি হায়বসি ঐগী ওজা করাম ইবোমচানা ফজনা তম্বীরকখি।

কাংজৈ শান্নবদা থৌবগা, লমজেল তান্নবদা থৌবগা অনী অসি খেন্নৈ। খরদং পঞ্জরবদা রেস তান্নবদা থৌগদবা মওংদি ইশাসি লোইনা থুপচনগনি। অদুদগী শগোলগী মনা অনীগী কারক্তা ঐগী ঙকশমসি থমগনি। শগোল থৌবা মতমদা, ইশাগী হোন্দোরকপা নিংশা শ্বরসি শগোলগী মশাদা ফুহল্লবদি শগোল য়াংদে। লমজেলগী থৌবা মতমসিদদি খোঙনা খপ্পখত্তমক ওইগনি। অসুম্না তৌরগা শগোলসি ইনগনি। শগোল লমজেল য়াম্না তোইনা থৌরিঙৈদদি খুৎ থাদোক্লগা থৌবসিসু য়াম্না খুৎলোইরম্মী।

ইনখৎলকপা মতমদুদদি অকিবসু কয়া লৈরমদবনা, ওজানা তৌ হায়বমখৈ লোইনমক তৌবসু ঙম্লম্মী। হৌজিক থৌরিবসিনা কুইনা এক্সপরিএন্স লৈরকপগী লোইনমক হৈরকপনি। শগোলসি থৌবদা পরম চুম্লবদি ফৈগনখত্তনা মমাই চুম্বসু য়াই। ইনখৎলকপা বাইক থৌবা নহাশিংনা মখূৎ থাদোক্লগা থৌবা ঙম্লিবদু অকিবা লৈতবগা, ফৈগন্না কন্ট্রোল তৌবা ঙম্বগীনি। মীওইবা হায়বসি ফজনবু খূৎলোইরক্লবদি মওং কয়াদা ঐখোয়গী হৈশিংবশিং লোইনমক মতাং চানা চানা উৎপা য়াই। অদুগা শগোল কাংজৈ অসি খরা হেন্না চাউহনগে হায়বগী ৱাখল

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### নুপী শগোল কাংজৈরোয়দা মিৎয়েং অমা

খনবীরগদি মণিপুরগী অতৈ মফমদসু টুর্নামেন্ট শিলহন্নীংই। ইম্ফালখক্তদা পোলো টুর্নামেন্ট তৌবসি দিষ্ট্রিক্ট অতৈদসু তৌরবদি পোলো শান্নরোয় মশীং খরদা ওইরবসু হেঙ্গৎলক্কনি খল্লি।

শান্ননীংলবসু ইম্ফাল তানা লাকপদা খুদোংচাদ্রবদি তোকখিবা ময়াম অমা য়াওখি। ঐহাক্তবু পোলো পামজমনবগী, অৱা অনা থিদনা শান্নজরকপনি। ইম্ফালদা শান্নরুরগা যূমদা হনবদা পুং ১০ হেন্না তাখিবা কয়া য়াওখি। নুমিদাং অথেংবদা যূমদা হল্লকখিবশিংগদু নীংশিংলুবদা নুংশিরকই। কুমজা ১৯৯৩/৯৪ গী মতমদুদদি নুপী পোলো শান্নরোয়নি হায়জবদসু ইশাদা নুংঙাইজবা লৈজখি। মতমদুদদি য়াম্না ফজনা ইনকরেজসু তৌবীরম্মী। ৱাখল য়াম্না চাউনা, পোলো প্লেয়র অমা ওইনা থবক শোয়দনা ফংগনি হায়বসিসু থাজবা লৈজখি। অদুবু মদুগী ওন্না তৈনবদা থবকসু ফংহৌদে।

মশান্নদু পামজরুবগী থাদোকপসু ঙমখিদে। হৌজিকসু অচৌবা ষ্ট্রগলনি ঐনা শগোলগীদমক থেংনজরিবসি। মী অতৈনা শগোল নুংশিবগা, প্লেয়র ওইনা শান্নজরিবা ঐখোয়না নুংশিবগা অনী অসিসু খেন্নগনি। ঐখোয়না নুংশিবনা, পাম্মুবা অমগা লোয়ননা মাঙখিগদ্রা খন্না নুংশিজবনি।

শান্নরোয় অমা ওইনা ইশাগী শান্নজরম্বগী রেকোর্দ খরদং নীংশিংজরবদা, কুম্বী পোলো ক্লবতা য়াওদুনা অহানবা শান্নজরকপা মতম কুমজা ১৯৯৩ দা রন্নর্স-অপকী মনা ফংজরকখি। হান্নসু পঞ্জখ্রবদুনি ঐখোয়গী টিমগা হেক হেক ফাইনেলদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নজবসি থৌবাল পোলো ক্লবকনি। অয়াম্বা মতমদা মখোয়গা ঐখোয়গসি ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপসি মুন্নদুনতা লাকখি। কুমজা ১৯৯৪ দদি কুম্বী পোলো ক্লবনা ৱিন্নর লৌখি। কুমজা ১৯৯৫ দনা রন্নর্স-অপ তাখি। কুমজা ১৯৯৬ তদি ঐখোয়না অমুক চেম্পিয়ন ওইখি। কুমজা ১৯৯৬/৯৭ দা দিষ্ট্রিক্ট পানা শগোল কাংজৈ কৈরক্তা শান্নজরকপদসু মথংশিংনা ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপ ফংজরকখি।

কুমজা ১৯৯৮ দা ক্রিপসা পোলো ক্লবতা য়াওদুনা শান্নজরকপদা ৱিন্নর লৌবা ঙমজরকখি। কুমজা ১৯৯৯ দনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিএশন্দা শান্নজরকখি। মদুদসু ৱিন্নরগী মনা ফংজরকখি। কুমজা ২০০১ দা ক্রিপসাদা শান্নজরকপা মতমদসু রন্নর্স-অপ লৌজরকখি। অসুম্না মথং মথং শান্নজরকপনা কুমজা ২০১৩ দগীদি ইম্ফাল রাইদিং ক্লবতা অমুক চহী অহুম শান্নজরকখি। হায়রিবা চহী অহুম ২০১৩, ২০১৪ অমদি ২০১৫ দা ৱিন্নর ওইজরকখি। কুমজা ২০১৬ তগীদি ঐহাক থাংমৈবন্দ যুথ পোলো ক্লবকী শান্নরোয় অমা ওইনা মখা তানা লেপ্তুনা শান্নজরকখি। হায়রিবা চহী অদুদগী হৌরগা হৌজিকসু ক্লব অসিদা শান্নজরি। লোয়ননা ৱিন্নর লৌবসু ঙমজরি। কুমজা ২০১৬ দগীদি ইশাগা নিংথিনা খূৎ চান্নজবা শগোল পায়দুনা শান্নজবা ঙম্বদগী শান্নবদা হেন্না নুংঙাইজবা হায়বদুসু ওইজরে। হৌজিক থাংমৈবন্দ যুথ পোলো ক্লবতা, অচঙবা প্লেয়র ওইনা শান্নজরিবসি শুপ্পগী ঐখোয় মরিখত্তনি। ঐহাকনে, লাংলেননে, রোমাবতিনে, ঐগী ইনাওনুপী দমেয়েন্টিনে ঐখোয়সিনি। সার নবনা ঐখোয়বু ফজনা তাকপী তম্বীদুনা হৌজিক হৌজিক হোৎনবীরি।

শান্নরোয় ঐখোয় মরিখক্তং ওইবসি হন্দক্তি প্লেয়র অনৌবা খরা শেমগৎনবা ওজানসু ঐখোয়নসু কন্না থিরি। শান্নবদা মরিল লৈগদবা, মথৌনা ফজনা ফুদোক্তুনা শান্নবা ঙমগদবা প্লেয়র শেমগৎসি হায়দুনা হোৎনরি। য়াম্না মশীং কক্লা ঐখোয় মরিখক ওইবসি করিগুম্বা অশোক অপন য়াওরক্লগদি মশীং ৱাৎনা শান্নবগী ফীভম লাকপনিনা নুংশা থিবসু য়াওরকই। শগোল কাংজৈগীদি শগোল য়াওনা শান্নগদবা মশান্ননিনা পামজৈ হায়রগা হেক্তা যাদে। পোলো মশক মুন্না খঙবা মীসু ওইগদবনি। -মথং-মথং

# স্পোর্টস ক্যুইজ

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ৪২

1. ৱান-দে-ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী পুৱারীদা ইংলেন্দ অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না অহানবা হৌদোকপা ওইনা শান্নৈ। মদুদা খ্বাইদগী অহানবা বোল লংবা (ওপনিং বোলর) শান্নরোয় অদু কনানো?
2. কুমজা ১৯৫৮ দা করম্বা ক্লবকী ফুটবোল টিম এরোপ্লেন কায়বদা লোইনমক শিখিবগে?
3. WITCH Cup করি মশান্নগা মরী লৈনবগে?
4. হায়দ্রবাদ সহরদা কুমজা ২০০৩ দা পাঙথোকখিবা অহানবা এফ্রো-এসিয়ন গেমসতা করম্বা মখলগী মশান্নবু দিমোনষ্ট্রেসন গেমস ওইনা য়াওহনখিবগে?



5. পীরিবা লাই অসিদা খ্বাইদগী মতায়দা লেপলিবা (য়েৎ) মখ্বাং মেত্তুনা লেপ্লিবা এথলেট অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এস ৱাই য়ু সী অমসুং ৱাই সী সী আই সীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ লোইশিনখিদ্রে



চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা থার্দ প্লেসকী মেচতা মায় পাকখ্রবা ফামগী শান্নরোয়শিং

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা মরিরকশুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ অন্দর-১৪ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অনীনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ শান্নরোয়শিংগী মরক্তা চহী হেনবা য়াওই হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌনরকপদগী মেচ লোইশিনবা ঙমখিদ্রে।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপকী শান্নরোয়শিংনা এস ৱাই য়ু সীগী গোল কিপর চহী হেল্লি হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌরকপদগী মেচ মখা তানা শান্নবা ঙমদনা লোইশিনখি।

মেচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা এস ৱাই য়ু সীনা গোল অমা চনখি। গোল অদু উমাকান্তনা মেচকী ৩৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি এদভান্দন তৌখ্রবা ফাইনেল মেচ অসিগী চপ চাবা অচুম অরান খঙদোক্লবগীদমক ঙসি নোংমা নীনি অসিগী মনুংদা মণিপুর হোকিগী মীফম অমা ফমদুনা ৱারেপ লৌরগনি হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসি শান্নখিবা থার্দ প্লেসকী মেচতা পোষ্টরিয়র হোকি একাদেমি মণিপুরনা কে ঐচ এস সী খোংমন গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা থার্দ প্লেসকী মফম কনখ্রে। অদুম ওইনমক টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর, রন্নর অমদি থার্দ প্লেস কনানা ওইরে হায়বা শিল্লি লাংলিবশিংগী মায়কৈদগী থাদোরকপা লৈত্রি।

থার্দ প্লেসকী মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ফামগী গোলশিং অদু এ সচিন্না গোল অহুম মেচকী ২৮, ৪২ অমসুং ৫৬ শুবা মিনিটতা চনখি। কে ঐচ তরুন্না গোল অমা মেচকী ৩৭ শুবা মিনিটতা অদুগা এন দত্তনা গোল অমা মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

# ধনবির ট্রোফিদা য়ু ভি এস এ অমসুং এস বি ব্রোস মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): লাইট য়ুথ ক্লব (এল ৱাই সী এ) অংথানা শিন্দুনা মঙাশুবা ধনবির ট্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং অমসুং এস বি ব্রোস মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংনা য়ু কে এফ সী লমশাং গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হেনরিনা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস বি ব্রোসনা এ ৱাই দব্লিয়ু এস টিম এ গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা এস বি ব্রোসকী অহানবা গোল মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা এম বিজেন্না চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল ধরমজিৎনা মেচকী ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি।

# এম সী এ টি-২০ ক্রিকেট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম সী এ) না শিন্দুনা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ট্রোফি ২০১৭ ঙসিদগী চথুবা হৌখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেচতা পি টি আর সী পাৎশোই পার্ট ফোর মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেচ অদুদা পি টি আর সী পাৎশোইনা টি সী এম দি সী থোংজু রন ৪১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা পি টি আর সী পাৎশোইনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ দা রন ১২৬ লৌখি। পি টি আর সী পাৎশোইগী বিদাসনা রন ৪১ (২৭), রোনিলনা রন ২৩ (২৮) লৌখি।

পি টি আর সী পাৎশোইনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা টি সী এম দি সী থোংজুনা ওভর ২০ মায়োক্ল খিবদা রন ৮৫ লৌরগা ওল আউট ওইখি। মেচ অদুদা পি টি আর সী পাৎশোইগী বিদাসনা রন ৪১ (২৭) লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং অয়ূক ফোর্স ক্ষেত্রিগাও অমসুং ৱাই এ সীগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিলদা নবসা খাগেম্পল্লি অমসুং ঈ এস য়ু ৱাংখৈগা শান্নগনি।

# সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): ফৌদেল য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সী) ফৌদেলনা শিন্দুনা ঙরাংদগী চথুবা হৌখ্রবা মঙাশুবা ষ্টেট ওপন সভেন এ সাইদ কেশ প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই পি ও অমসুং বোয় এফ সী গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে।

ৱাই পি ওগী গোল অনী অদু চাওবা অমসুং শাহখান্না চনখি। বোয় এফ সীগী গোল অনী অদু রোসন অমসুং সন্তোসনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা পি ৱাই সী ফৌদেলনা ৱাই ভি এ ক্ষেত্রি লৈকায় গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা পি ৱাই সীগী গোল অদু পেনিনা গোল ৩, অরুন অমসুং সাহিদুরনা গোল অমমম চনখি।

# কৈরক এফ সীনা এস দি সী লমজাও মায়থীবা পীদুনা কদাজিৎ ট্রোফিগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): কদাজিৎ য়ুঠ ৱেলফেয়র এসোসিএটেদ ক্লবনা শীন্দুনা কদাজিৎ এল পি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন ফোর মেন এ সাইদ সোক্কর টুর্ণামেন্ট কে ৱাই দব্লিয়ু এ সি ট্রোফি ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা কৈরক এফ সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা কৈরক এফ সীনা এস দি সী লমজাও গোল ২-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা এস দি সী লমজাওনা রন্নর্স-অপ তাখি। টুর্নামেন্ট অদুদা এস দি সী লমজাওগী রোহিটনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। টিম অসিমক্কী শান্নরোয় এস ঐচ রুপদেসনা বেষ্ট স্কোরর তাখি। বেষ্ট স্কোরর তাখ্রবা এস ঐচ রুপদেসনা টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না গোল ১৪ চনখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা কৈরক এফ সীনা গোল অনী হেন্দুনা মায় পাকচরবসু মেচ অদুগী অঙনবা শরুক্তা এস দি সী লমজাওগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মপাঙ্গল লৈনা শান্নখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্কা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা অমনা অমগী মায়োক্তা গোল চন্নবা এটেক কয়া চথনখি। অদুবু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীমক্কা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া চথদুনা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাক্ল নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। মেচ অদুদা কৈরক এফ সীগী শান্নরোয় টি ঐচ রোবার্টনা মেচকী ৩১ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা এস দি সী লমজাওদগী গোল অমা মাঙজিল থানা চৎখি। কৈরক এফ সীনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোথরিবা এস দি সী লমজাওগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু এস দি সী লমজাও টিমগী মরক্তা কোওর্দিনেশন ৱাৎপা মরম্না গোল হন্দোকপদা অৱাবা ওইখি। গোল মাঙজিল থারিবা কৈরক এফ সীগী অনীশুবা গোল এন জোগেন্দ্রোনা মেচকী ৪৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

# আর এফ সী খম্নাম লৈরক্লা এফ সী টি ৱাই দি এ তৌবুল মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৯ (ঐচ এন এস): কমখ্যা সোসিএল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাং মমাঙ লৈকায়না শিন্দুনা চথরকখিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল কে এস ৱাই সী ফোর মেন এ সাইদ সুপর সোকর টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্লা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্লা এফ সী টি ৱাই দি এ তৌবুল গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীদুনা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্লা ৱিন্নর ওইখিবনি। ৱিন্নর ওইখ্রবা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্লা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৪০ গী শেলগী মনা ফংখি। মায়থীহৌরবা এফ সী টি ৱাই দি এ তৌবুলনা রন্নর্স-অপ তাখিবগা লোয়ননা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ২৫ গী শেলগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অদুদা এস দব্লিয়ু সীনা থার্দ প্লেস তাদুনা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৬ কী শেলগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অদুদা এস এ এফ সীনা মরিশুবা পোজিসন তাখি। টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এফ সী টি ৱাই দি এগী শান্নরোয় কিষন্না বেষ্ট প্লেয়র ওফ দ ফাইনেলগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্কী রাকেসনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট ষ্টোপ্পরগী মনানা এস এ এফ সীগী শান্নরোয় এ দেবিদনা তাখি।


টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট স্কোররগী মনানা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্কী রাকেসনা তাখি। বেষ্ট ইমর্জিং প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টনা এফ সী টি ৱাই দি এগী শান্নরোয় নবিনা তাখি। বেষ্ট ষ্টাইলিষ্ট প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টনা আর এফ সীগী পিয়াবুংনা তাখি। বেষ্ট কোচ ওফ দ টুর্নামেন্টকী মনানা আর এফ সী খম্নাম লৈরক্কী এন রোনেন্দনা তাখি। বেষ্ট ফেয়র প্লে টিমনা কে এস ৱাই সী টিম এনা তাখি। বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম ওফ দ টুর্নামেন্টকী মনানা কে এস য়ু সী কাইরেনবিখোক্লা তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা মায় পাক্লবা আর এফ খম্নাম লৈরক্কী গোলশিং অদু রাকেসনা গোল অনী মেচকী অহানবা অমসুং ৪৪ শুবা মিনিটতা চনখি। পিয়াবুংনা গোল অমা মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা চনখি। এফ সী টি ৱাই দি এগী গোল অনী অদু টি ঐচ কিষন অমসুং জেনবিলুংনা মথংশিংনা মেচকী ১৯ অমসুং ২২ শুবা মিনিটতা চনখি।



HL-B/3666/11/2-10/3



HL-B/3640/30/1-28-2